

*“কাউখা কাউথুম ওইনা হৌগনি ঐনা*
*ফাইরেল থাবু ওইরগা*
*হৱাই থরাক মপাল ওই,*
*তেকথনি ঐনা থেক থেক।”*

*- শ্রীবীরেন*
*(চৎলোইকো ঐ মফম কদায়দসু)*

ঐমখেং

## ঐগী ওইয়ু তল্লমদ্রবী

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

মমল লৈরবী মহাক অদো
নোংমা ঐগী ইনাক্তা লাক্লমখি
খোইরুম মোমোন মীনোক্কা লোয়ননা
ঐগা মীৎচাননা য়েংনখি।
নুমিৎ অদুনা মা-ঐগী
পুন্সিগী অরোইবা উনবা ওইখি
ঙসিদি মাগী পুন্সি লম্বেলনা অমা
ঐগী পুন্সি লল্লেলনা অমা
তোঙান তোঙান চৎনরে।
নাথৈদুনা চৎকদবা লৈরবদি
নুংশি চীরোল তৌদুনা
করিগী মোমোন মীনোক তল্লল্লি
হে নুংশিবা নঙবু কৈদা লৈবগে
নঙগী চেংলৌ নীংথিবী,
ঙসিনা করি মহু পুবা লিনদগীসু
হেন্না শাথিরিবা
উবা ফংখিদে ঙসিদি
নঙগী চেংলৌ শক্তমসু।

## নোংচুপ সমুদ্রগী

**—এম কুলচন্দ্র সিংহ**

ফুইনা হৌরকইবা
থিংবা ঙমদ্রবা
অকনবা নোংহৌনি;
ইঙা-ইঙেন
ঈচেল ’লক্তা
তিনখ্রে অমত্তা ওইনা।
কৌব্রু-কৌনু
লোয়ালাকপা
কুপশিনখ্রে লোইমক
নোংচুপ সমুদ্রগী
নোংহৌনা।
মমি শাল্লক্লে
লোক্তাক লৈমা
শিৎচিল্লকইবা নোংলৈনা
হি হোল্লম্বা হিরোইশিং
হিমায় লেপ্পা ঙমখিদ্রে।
নাৎ, লাইনীং, চৎনবী
অচুম্বা, অশেংবা ফজবা
মহৌশাগী শওং-শাদা
পূন্নমক মাঙখ্রে
নোংচুপ্তগী শিৎলকপা নোংলৈনা।

## পাইখ্রে চেক্লা

**—থোকচোম রবিচন্দ্র**

ঐগী থোংনাও ময়াদা
নেম্না হাইথরিবা হিনৌগী উশাদা
তোংদুনা ঈশৈবু তৎতনা শক্লিবী
চেক্লা-ও নুংশিবী
কনা লৈত্রবা ঐগী ওইখি নঙনা মরুপ।
মালংগী ইপোমদা শান্নরুবগী নুঙাইবা,
লৈচিল লাবগা-অমোমগা চীক্লোক্লহৌবা
নুংশি ৱারী ইফমদা নঙনা লীবিরি
পেন্না পেন্না নোকমিন্নৈ কনা তাদ্রিবা
ৱারীশিংবু তারগা।
নঙ ঐতনি খঙনরিবা
নুংশিরবা ৱারী কয়াসে।
নুংশিবগী শুরতনি শক্লিবা
শেম্বীবা মাগী শৈপালনা
পোত্থাজৈ থম্মোয় তারগা নঙগী শৈশক।
মালেম্না অৱাবা তারবদা
হিক্লা কপ্তুনা অঙাওবীগুম
তাম্না পাইরুরি লীরুরি ৱারী,
চঙজরুরি মপুগী খুয়াদা
কনবিনবা মালেম মাবু।
মোমোন্তা নোকচরি নহাক্লা
নতু নমান ইপোন পোন
কপ্তুনা লাক্লিবদি করিগীনো চেক্লা-ও।
করিগী হায়রিবা লাক্লরোই ইনাক্তা,
নঙগী অৱাবা ৱারীসিনা
থম্মোয় অসে পুঙমদ্রেনে।
ৱাং চাউরবা ফুরা দলান লৈনা লৈনা
পীল্লবা মাগী ময়ূম মচা অদুবু
করিগী কলক্লা থুগাইবিরিবনো?
কোইতান তান্না ফাবদি
নঙগী করি লমচৎনো হে মীওইবা
নঙগী লৌবুক্তা চাক্তাই হায়বগী
শিবগী চৈরাক পীবিরিবা?
ৱাখলনা ফুম্বংনরিঙৈ খাম্বা নংহৌদ্রে চেক্লাদো
পাইখ্রে ঐগী ইনাক্তগী
অমুক পাইরকখিনি থাজদ্রে।

## নুপী

**—রামেশ্বর লাইশ্রম**

নুপী
নঙদি থোৎলবী লৈনি
কল্লবা নুংশিৎকী শাফু মায়োক্লনা শাৎলিবী
তগোম তগোম শাৎলুরগনা
চোইজাইননা কেন্দৌরিবা লৈমায়থক্তা।
নুপী
নঙদি থোৎলবী লৈনানি
ফজবা লৈশক উৎচরগা পকচবা হেল্লিবী
নুংশি লৈনম চেল্ল চেল্লগা
হেন্না হেন্না পাম্নরিবী।

## মীতৈ চনুনি নহাক্তি

**—শগোলসেম জিনা (বেবে)**

নঙগী পুন্সিগী লানফমদা
চাবা মচেৎ তূম্বা মচেৎ
অৱা কোঙ্গাই খাঙখিবী
মীতৈ চনুনি নহাক্তি।
হিংনবগী লানফমদা
লান্মী ময়ামগী খনবদা
খুবাক কুরোন হুদুনা
হোৎনখি নঙনা ।
হিংখো নঙসু ময়ামগী
খাঙখো অৱাবা কয়া
লাক্কনি নঙগীসু নোংমা নুংঙাইবা।
ৱাদনা নুংঙাইবা পুন্সিবু
নুংঙাইবা পুন্সি কৌগদ্রা?
অৱাবা মহাউ খঙদ্রবা
পুন্সি নত্তে মীওইপোক
হিংগনি খন্না পোক্লকপা
অৱাবা কোঙ্গাই নংলসু
পুন্সিগী মহাউনি খন্দুনা
হিংখো তুংগী মীরোলগীদমক।
নুংঙাইবদা নোকখিবা
অৱাবদা কপখিবা
পুন্সিগী মহাউনি
মীতৈ নুপীনি নহাক্তি।

## পোক্লফম ইমাবু কলহৌসি

**—রন্ধির থিয়াম**

পুনশিল্লসি অমত্তা ওইনা
লিংজেল মান্নদ্রবা ইরৈচাশিং,
মীনা ইনশিনবদা চৎলোইসি
তুংগী ৱাখল খন্থহৌসি,
হৌখ্রবা থৌদোকশিং কাউথোক্লদুনা
নুংশি চান্নরা হিংমিন্নরসি,
হেদো নাহে চল্লবা
পোক্লফম ইমাবু কলহৌরসি।

## অরিবা খোঞ্জেলসে

**—এল রোমিও**

মথায় থায়নগী
খোন্নৌ নহা খোইনিংদুরা!
কাঞ্চি লৈকোলগী
লৈহাও পান্বীদা খোঙলম্বা,
কোকিলদুরা তারিবা খোঞ্জেলসে।

মরৈবাক নুংশিবনা য়োল্লবা
মফুরুপ্পু কন্নিংবগী ঈহুলনা
থম্মোয়দা ঈথক হৌরিবা
কনাগুম্বগী নুংশি শৈহেক্লা।

কমলগী পূক্লিং লৈকোন্দা
ঈংনা লৈশাৎ তল্লিবা
মণিপুর তাইবঙ মহৈকোলগী
মনা পুংল উপালদৈ
মাধবিগী মপাউ পুরিবা
নুংশি শৈরোল্লা তারিবসে।

করিগুম্বদা,
চীংলোন মাপননা কোয়শিল্লিবা
তম্পাক লমদম অমগী
থিয়েটরগী লৈকোলদৈ।

অমুক্লা,
লাইরেম্বা লাইরেম্বী কয়াগা
তাইবঙ লীলা শান্নরিবা
লাঙ্গোল লাইরেম্বী মশাইকোন্দৈ।

নত্তে! খোঞ্জেল অমসু
অমুবা মচুনা লৈতেংবা
নুংশিবা শৈহেক্তমক মশকপা
মরৈবাক নুংশিবগী শৈহেক্লা
মফুরুপকী থম্মোয়বু থিনগাইরিবা।

শারবা মালেমগী লৈমায়সিদা
লৈতাফম খঙদ্রবা লমদমসিদা
নুংশিরা খোঞ্জেলসিবু তারিদ্রা!
পঞ্চম শুরগী খোন্থাংদা
অরোইবা খোন্থাংগী শৈহেক্তা
মণিপুরীশিংগী থম্মোয়দা
নুংশিবা ইফুৎ ফাওরসনু।

শৈহেক অমত্তদা, খোন্থাং অমত্তদা
ফৈরা অমত্তদৈ খোঙলকপা
কয়াদা হৌনা, কয়াদা নুংশিনা
নিল্লনি চীংলোন মাপলনুংসিদা।

খোঙদৈ লাংসিনা কৈদৌরুনি
তুফাং খপনা পাইখরো
শঙ্গুগী ফজবা উৎতুনা
ননিং তল্লে উৎলম্মু
নুংশিবা খোঞ্জেলগী খোন্থাংসে
নোংখোং অমদগী নোংখোং অমা ফাও
তাজসনু, শোন্নসু মালেমদা।

# বরাক তম্পাক্কী মরাইবক

## (হিংখিনি ঐ লম্মুক্লরবা মখোয়গীদমক হায়রিবী অইবী অমা)




পাউদম্লিবাঃ সলাম তোম্বা

| | | |
|---|---|---|
| **মমিং** | **ঃ** | **বরাক তম্পাক্কী মরাইবক** |
| **মখল** | **ঃ** | **শৈরেং** |
| **অইবা** | **ঃ** | **মোইরাংথেম সত্যবতি** |
| **ফোঙবা চহী** | **ঃ** | **২০১৬** |
| **অফোঙবা** | **ঃ** | **মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, মেঘালয়** |

**ঐখোয়না** ভারতকী অইবীশিংগী মনুংদা কাউরোইদবা নুপী অইবী অমখক লৈ। মহাক্তু ইংরাজি লোন্দা শৈরেং ইবশিংগী মনুংদসু অহানবনি হায়না শীংথানরি। মহাকপু হেক শীংথানরবদি ইংরাজিদা ইবী অহানবা ওইবগী থোইনা নত্তে। মাগী পোক্লফম লমদম্বু কাউদবা, মানা ইংলেন্দা লৈরবা মতমদা ভারতকী হৌখ্রবা মাগী পুন্সিবু খক কাউদবা, মদুতবু নীংশিংদুনা মাগী শৈরেংশিংদা খোন্থাং য়ৈবগীনি। মহাক্তু কনাসু নত্তে, মপুন্সি তেনখ্রবী, মরাইবক থীখ্রবী, তোরু দত্ত (Toru Dutt, 1856-77) নি। মহাক্লা কয়া য়াম্না ইংরাজি লোন্দা শৈরেং ইবদা মায় পাকপগে হায়ববু তরামাপলশুবা চহীচাগী ইংরাজি রোমেন্টিসিজমগী মমি ফজনা তানা ইবা ঙমখিবসিনি। মাগী মমিং লৈখিবা শৈরেং ‘ঐখোয়গী উয়ুংপান্বী’ (Our Casuarina Tree) হায়বা অসিদগী পরেং মরিখক য়েংবা য়াই, "But not because of its magnificence/Dear is the Casuarina to my soul:/Beneath it we have played; though years may roll/O Sweet Companions, loved with love intense." কয়াদা মশক থোক্লা মাগী মরমদম নুংশিবদু পরেং খরসিনা ফোঙদোক্লিবা, মিত্তা শংশং উহল্লি।

ঐনা নুপী কবি অসিবু পঞ্জরুবগী মরমদি ঙসি পারুরিবা শৈরেং লাইরিক অসিনা পীবা ঈথিলনি। চীংলোন মাপলগী ৱাংমদা লৈবী কবি নুপী অমগী খোঞ্জেলনি। পোক্লফম মমা লমদম মণিপুরবু কয়াদা ৱাংনা থাঙ্গৎলিবা, কয়াদা মথমোয় খোয়রাংজরিবা, মানা লৈরুরিবা, বরাক তুরেল চেল্লিবা, বরাক তম্পাক অদুদা খুন্দারিবা মৈতৈ, মীতৈশিংগী লাইবকপু কয়াদা শেংনা উৎলিবা, মাগী খোঞ্জেল তাদবা ঙমদে, পাউখুম পীদবা ঙমদে, মৈতৈ অমা ওইনা। মহাক্তু মোইরাংথেম সত্যবতিনি।

হোয়, মাদবুদি নত্তে, মপান্দা লৈরিবা ঐখোয়গী ফুরুপকী অইবা অইবী পূন্বা চপ মান্নবা খোঞ্জেল অমা মতম পূন্বদা থোক্লকই, মখোয়গী লকাদগী। লোইনা নুংশি, লোইনা নুংহিক্লে । অদুবু সত্যবতিগী তোপ তোপ্পা খোঞ্জেল অমা য়াওরি, মদুদি ‘কনবীয়ু’ হায়বগী খোল্লাউ য়াওরি, মুক্লবা মতম নৎত্রে, ঙসি হয়েং খঙদ্রবা ইমানি হায়রি। অদুগা অমুকসু ইমাগী শক্তম কায়নবা তৌরকপা মীশিংদা চেকশিন-ৱা হায়রি - পূংলোন তান্থা কায়রক্নু, ঈ শাগৎনবা থবক তৌরক্নু। পাউখুম শোয়দনা পীরক্কনি হায়রি। মাগী ৱাহৈদা, “ঈতগী খোংলম চান্মনা/অশিবা হকচাংতনা পল ওই/ঙাক্লক্কনি নীংতম্বা ঙমখে/মৈতৈ লৈবাক কন্নবা।” (ঈগী কুম্মৈ, লা: ১৭) হৌখিবা চহী খরসিদা নুংঙাইবা পাউ অমতা তাদ্রবদা সত্যবতিগী ৱাখলদা য়ৈরকপা ৱাহৈ কয়াদু ফোঙদোরক্লিবা শৈরেং ৬৩ অসিদা ঐখোয়না উবা ফংখি, মদুদি অইবী অসিগী থমোয়দা হেক পোকপীবা মাগী পলেমদগীনা, মাগী পন্থৌ কায়নখ্রবদা অনীশুবা য়োকপীরকপা পন্থৌ অদুফাও য়াওরগা, মাগী মনেম্থুসু কাউদনা, মাগী পোক্লফম লমদম মণিপুরবু নুংশিবগী মৈনা ওমদুনা চাক্লি। মাগী ৱাহৈশিং লোইনা ঈথিল পীবা ঙম্মী, তাদবা ঙমদে।

মাগী শৈরেংশিং অসিদা মরু ওইনা থিম অহুমখক মমুৎ তানা পল্লি, শৈথারি - (১) পোক্লফম্বু ৱাংনা থাঙ্গৎপা (২) মতমগী খোঙচৎতা হৌজিক হায়বসিনা খ্বাইদগী মরু ওইবা মতমনি হায়বা অমদি (৩) নুংশিবা হায়বা অসিতনা মরুনি খঞ্জবা পূক্লিং মতা অমা। অহানবগী থিম পরিং অসিনা মরু ওইরি। অইবীনা চীংলোন মাপলগী ৱাংমদা লৈরুবনা মপান্দা থেংনরিবা অৱাবা কয়া শৈথারি। বরাক লমদমগী ফজবা থানা থানা মাগী মরমদম মণিপুর খক কাউদে, করম্না মৈতৈনা মফমদুদা লেল্লি, ৱাহৈ খরদনা ফজনা ফোঙদোক্লি। মাগী ৱাহৈদা, “মীগী চৎনলোন্না হেনখ্রে/ইশাগী কাঙলোন্না তুংওইনরে/কনাদা শাউবা য়ারিবা/... লোনয়ান ঙাক্তা ওইরল্লে/মীরোল ঙাক্তা ঙাঙলল্লে/কনাদা লাল্লি হায়রুনি/ইচাশিংবু পারি-পুরি তাক্লল্লরোইদ্রা/থম্মোয় ফুক্না মিপাইজে।” (বরাক তম্পাক্কী মরাইবক, লা: ৫২) মীরোল মরক্তা, মীনাৎ মরক্তা ইরোল, ইনাৎ ঙাক্লা চৎলিবগী ফজবা পরেংনি উৎলিবা। অমুকসু ইপানাৎ ইপুনাৎ হল্লকপগী ফজবা পরেং খরা অমুক ইরি অইবীনা, “মৈতৈ পুয়া হল্লক্লে/মায়কৈ খুদিং খূৎ থিল্লক্লে/য়েক শলাই নীংশিংলক্লে, মতমগী য়াওন হোংলক্লে/পোকফম হৌফম থিরক্লে/ইপানাৎ ইপুনাৎ শৈথারক্লে।” (ৱাত্ত-পাদবী, লা: ৩৭) মসিদি অফবা পাউনি। ঐখোয় হিংদবা য়াদে হায়বগী খোল্লাউনি।

শৈরেংদি শৈরেং ওইগদবনি হায়বা অকনবা শাফু লৈরিঙৌদা আমেরিকা অইবা অমা থোক্লকখি। মাদি শৈরেংদি নুংতিগী থোক্লিবা পুন্সিগী মমি তাগদবনি, মীচমগী শৈরেং ইগদবনি, মতমসিগী খোঞ্জেল য়াওগদবনি হায়। মহাক্তু কনাসু নত্তে, ৱালট হ্বিটমেননি। মাদি ঙরাং, ঙসি, হয়েং হায়না লৈরিবা অসিদা ঙসিনা খ্বাইদগী মরু ওইরি হায় । ঙরাং হায়বদুদি শিখ্রবনি, হয়েং হায়বদুসু কনানা তম্বা ঙমব্রা? হৌজিক হায়বসিনি খূত্তা পায়রিবা। অদুনা হৌজিক্কী শৈরেং ইগদবনি। অকনবা ঈথিল পীখি মাগী খোল্লাউনা। মাগী মমাঙদা লৈরম্বা আমেরিকাগী অফাওবা কবি, টি এস ইলিয়টকী ফিলোসোফী ময়ায় চমখি। মাগী ৱাদি ঙরাং য়াওদনা ঙসি লৈবা য়ারোই, ঙসি য়াওদনা হয়েং হায়বদু ওইথোক্তে অসিনি। অনীমক চুম্মী, মাগী মাগী মিৎয়েংনি। ঐখোয়গীসু ঙসি থোক্লক্লে অইবী সত্যবতি। মানা হায়রি, ঙসিগীদমক হিংঙু। শামু হকচাং কল্লিঙৈ, খোঙথাং নঙনা চোকথদ্রিঙৈ চৎলু ঐবু পুদুনা হায়না হায়রি। মাগী ৱাহৈদা, “হৌখিবা ঙরাংগী নীংশিংদা/হয়েংগী করি ৱারুদা/ঙসিগী ফজবা মঙালদা/লেন্নরমসি পূন্নমকপু মায়থীহন্দুনা।” (হিংঙু ঙসিগীদমক, লা: ১৮) মসিদি ঐখোয়গী খোরিরোলদা অনৌবা মিৎয়েংনি। মসিগী মরমসু অইবীগী শৈরেং অমদা ফোঙদোক্লি। মানা হায়রি মতমগী ঈরৈদা লূপখিদৌবা ঙাক্তনি। থৌদাংনা লৈহৌগদবা ঙাক্তনি। অদুদি পোকপগী মহয় করি থনমগনি। মসিনি অইবীনা ৱাজরিবা, মাদি মাগী মফুরুপকীদমক মমালোনগীদমক করিগুম্বা খরদি তৌরম্নিংলি। অদুনা অইবীনা মতম কৌবী লাইরেম্বীদা হায়জে, “মতম নঙগী নশাইকোন্দা/মিৎকুপ অমতং ওইরবসু/পুন্সি মহাও খঙখিগে/য়াইবী মরূ হুল্লমগে/ঐগী ঈবু কলহৌগে/পূক্লিং লৈরা চেৎনবা।” (মতম, লা: ৬২) অদুনা অইবীনা মশাবু থাজবা থল্লি, ৱাশক্লি মশানা তৌগদবা থৌদাং অসুম্না, “তাক্লমগে ফজবা করিনো/শেল্লমগে ইখূৎমক্লা নুংশি চারা/য়েল্লমগে পূক্লিংগী পাউজেল/... হিংখিনি ঐ লম্মুক্লরবা মখোয়গীদমক/থিখিনি লোৎলিবা মায়খুম হাংদোক্তুনা/শুপ্নগী মঙাল মচেৎ অমগী।” (খেন্নরিবা মীওইবলক্তা, লা: ১৩) অইবীগী থৌরাং মায় পাকপা ওইসনু। মঙাল মচেৎ অদু ফংবা ওইসনু। শেল্লমসনু মখূৎমক্না নুংশি চারা লমদমসিগী মীপুম খুদিংদা য়েল্লম্নবা। শান্তি লৈবা লমদম অমা ওইহৌনবা।

অমুকসু অইবীগী মতমসিগী, মরমদমগী শৈরেং মরক্তা লোৎপা ঙমদবা, লকানুংগী নুংশিবা ঈচেল অমখক য়াম্না তরু তরুনা চেন্থরি লামায় খরদা। মসিদি ফজদে হায়বা ঙমদে। খজিক্তনা য়াম্না ফোঙদোকই। কল্পনা ৱাংঙি। মাঙখ্রবা নুংশিবা অমা, থুংনখিদ্রবা পন্থুং অমা মথি ফোংলকপা উৎলি। কৈসু কায়দে। শৈরেংদি থমোয়গী মরলনি। হেক্তা নান্থোকখিনি, ফোঙদোক্কে খন্দ্রসু। অইবীগী মাঙখ্রবা নুংশিবদা হায়জে, “শাৎকায়রিবা নঙগী মীনোক্লক্তা/ঐগীসু শরুক য়াওখিবনি/লৈশাৎ তল্লিবা লৈকোলসিগী লৈরাংশিং/লৈনমসু ঐখোয়নিগী ওইখিবনি/... থাজবগী মায়থোঙদা মুন্না য়েংঙু/ফংলক্কনি শোয়দনা পাউখুম ঐগী।” (পাউখুম ঐগী, লা: ৭৭) অদুগুম্বা তায়োন্নখিবা মিৎকুপ্তুনা করি করম্বা পুন্সি পীরবগে হায়বদুসু অইবীনা তাক্লি, অকায়বা লিক্লিলক্তা চৎপগা চপ মান্নরে হায়জরি। অদুবু থমোয় অনীদি খক লাপথোক্লুদে হায়বদুসু ৱাহৈ খরনা ফোঙদোক্লি, “খঙনৈ লোনথোক্ত্রবা থম্মোয় অনীদি/নুংশিনা, পাম্মুনা ইতিন্নখিদ্রবা/নাথৈখ্রবা লন্থী ঈচেলসি/ঙসিনা করি মরীনো?” (করি মরীনো, লা: ৭৮) নোংদম থীবা নুংশিবদি কথোকপনি হায়বা ৱা য়াওরি।

পল্লমদবা ঙমদবা সত্যবতিগী শৈরেং অমদি নুপীনা নুপীগী ৱাহন্থোক পীবা শৈরেং অসিনি। ঙসি ফেমিনিজমগী কল্লবা ঈহৌ মরক অসিদা অইবীগী ৱা অসি তাদবা ঙম্লরোই। মাগী ‘নুপী’ হায়বা শৈরেংদা নুপীগী লাইবক্তি নুপীতনা শেমজবনি হায়রি। মাগী ৱাহৈদা, “নুপী নুপানা শেল্লিবা খুন্নাইদা/তাইবঙনা কল্লক্লে নুপীদগী লান/তাহনবনি নুপীতনা লৈখা/চিংখৎপসু নোংমদোন য়ৌনা।” (লা: ৪০) অদুনা নুপীগী লমচৎপু য়াম্না লুনা লৌরি অইবীনা। লমচৎপু য়াওদ্রবদা লূপখিবা শোয়দ্রে হায়রি, ইশাগী শোয়খ্রবা খোঙথাঙ ইশানা চুমথোকচগদবনি। অমোৎপদু উনা উনা নেৎলবদি নোংখাক অমদা থমোয় তঙ্খায় তাবা শোয়দ্রে হায়রি। অদুনা অইবীনা মচানুপীবু চেকশিন-ৱা হায়রি। মোবাইলগী মেসেজবু মচানুপীনা খঙদবা কয়া তাকপীরকপনি হায়না শেম শাদুনা খুল্লক্লবদা মমা ওইনা অসুম্না হায়, “চুম্মী ইচানা হায়বা/খঙদবা, হৈতবা অদুদনি তম্বীরক্কদবা/খঙদবদুদনি মাঙখিদৌরিবসু।” (মোবাইল, লা: ৪৮) ৱাহৈগী ফজবা, মপা চাবা পাউখুম্নি হায়নীংঙি।

য়ামখ্রে হায়রিবা সত্যবতিনা। অদুবু মফমসিদা লোইনা পাউদম্বা য়াদ্রে। অরোইবদা মাগী কাউবা য়াররোইদবা শৈরেং মচা অসিমতং পল্লগা লোইশিঙ্গগে। মানা হায়জে, “নঙনা ঐবু নুংশিরবা/... অখুবা মিৎয়েং থল্লক্নু/থম্মোয়গী মমল থিরক্নু/...ঐনা নঙবু নুংশিরবা/তুংগী লন্থী য়েংজরোই/কিখ্রবা শীংবুন থোকচরোই।” নুংশিবনা পূন্নমক শন্তাইনগনি হায়বা পাউজেলনি। মথঙগী শৈরেং ঙাইরি। মমাঙগী ৱারীমচাগী লাইরিক ‘কিন্থরল্লবা শম্বল’ হায়বদুদা মায় পাকখিবগুম হন্দক্কী শৈরেং মায় পাল্লবনি।

হন্দোকপা

# ‘ইমা যশোদা’

## অজিত অনুভুতিনা ইবা হিন্দী ৱারীমচাগী লাইরিক ‘কান্টি কা কফন’ দগী লৈমপোকপম বেদান্তীনা মীতৈলোলদা হন্দোকপা

**গোপাল** লৈঙাক্কী থবক অমা ফংলে অদুনা অহানবা ওইনা মাগী সহর থাদোক্তুনা অতোপ্পা সহর অমদা চৎকদৌরি, চৎলমদাইদা মমাগী মখোঙ শোক্লা খুরুমই। মমিৎতগী মপি লেপ্পা লৈতনা শিন্থরকই। মমানা থেমজিল্লকই - “কপকনু ইবুংঙো, তৌহৈদে। হৌজিক্তি নঙ চাউরে অদুগা জয়পুরসি য়াম্না লাপ্পা লমসু নত্তে, ইমাগী ফিজি পায়রগা শুম লৈরগে হায়রিরো। থাংজ খুদিংগী লাকপা য়াই... চৎলুরো... চৎলুরো ... কপকনুসে...”। অদুবু ঐনা বসকী থোঙনাওদগী য়েংথোক্লুবদা ইমাদু ফিজিনা মপী তৈথোক্লিবদু উরকই। ... বস তোংনা তোংনা অঙাং ওইরিঙৌদগীনা হৌজিক ফাওবগী ৱারী মথং-মথং নীংশিংলকই। স্কুল তল্লিঙৌদগীনা কোলেজ কারবা ফাওবদা য়ূম হেক য়ৌবগা অহানবা ৱাহৈসি ‘ইমা’ হায়বসিনি। করিগুম্বা ইমানা য়ূমলোন্নবগী ইন্দোমচা হোয়দা চৎলম্বা তারবসু থুনমক মখোয়দা চৎলগা ইমাগা লোয়ননা য়ূমদা হল্লকমিন্নৈ। ইমানা পীজদ্রবদি চাক চানিংদে। করিগুম্বা ইমানা চত্তবা য়াদদুনা মরী মতাগী ময়ূমদা চৎপা তারবদি য়ূমসি ইহাং হাংবগুম তৌই। য়ূমদা ইতৈমা অহুমসু লাক্লবনি, ইচন্নুপী অমসু লৈরিবনি অদু ওইরবসু নুংঙাইতে। মাদি ইমা করম্বা মতমদা লাক্কনি হায়বা খঙই। অদু ওইরবসু ইচন্নুপীনা চাক পুরকপদা হংলুই - “ইমা কৈদৌঙৈ হল্লক্কনি?” মদু তাবদা মানা চাক্তু অমুক পায়রগা হৌগৎখি- “অঙাওবসিদি, ইমা ঙাইরদি নঙ চাকসে হংচিৎ চাবা তাবা” অদুদগী ঐনা মাগী বেনী মতোন্দু পায়রগা ... ঐবু অঙাওবা কা হায়রদনা, ৱাখল তাবা শারদনা, নীংশিংলিবরা ...ক্লাস আইটতা মার্ক কয়া ফংখিবা... থার্দ দিভিজন... নৎত্রো ... অসুম হায়না খৎন-চৈনদুনা, ফাগী তৌনদুনা লেল্লি। ইমা হল্লকপদগীদি ইমুংদু হান্নগী ফীভমদা হঞ্জিল্লকই।

ইতৈমা খ্বাইগী অহলদি ইমাগী মতৌগুমই, ঐবু য়াম্না লুনা তৌই। ইতৈমা য়াইমগা অতোন্বীগনা ঐবু কৃষ্ণ কনহৈয়া হায়না লক্লে। ইমানা মখোয়বু হেক হেক চৈ, অদুবু মখোয় শাউদে। ইয়াম্বা অহলনসু ঐবু য়াম্না লুনা তৌই, মাদি ওজা ওই। মানা ঐবু ইপা শক্লা য়েংশিনবী। ঐনা ঙাওশিন্নবা, লমহেনবদা মানা ঐবু চৈ থাংই, ৱারকই। ইয়াম্বা য়াইমা অমদি অতোনবনা করবার তৌদুনা পৈশা তাল্লি, মখোয়দি অশংবা মতমদা হেক্তা তূমদুনা লৈ। ইমুংদা করি থোক্লি মখোয় করিসু খঙদে, অদুবু মখোয়না তানবা পৈশা পূম্বদি ইমাদা শিন্নৈ মদুনা মখোয়গী তৌফম থোকপা থবক লোইরে হায়না খল্লি।

জয়পুরদা লৈরকপা চহীমুক ফারে অদুবু ইহাং হাংবা হৈনদবদি অদুম লৈরি। ওফিসতা লৈরিঙৌদদি খরা ফৈ অদুবু কাদা হল্লক্লবা কান্দদি ইথন্তা ঙাইবগী নুংঙাইতবদু ফাওরকই। লাইরিক পাবগী হৈনবী, ইমান্নবা ময়াম তিন্নবগী হৈনবীদুসু মাঙখ্রে, হৌমিন কামিন্নরকপা মরুপ-মপাংশিংগসু থাপ্পরে। অহাংবা মতমদা গুলাবী বাগ, পাৎ, চীংদা হেক-হেক চৎলি, করিগুম্বদসু লানবন লোমদা চৎপসু য়াওই, থাংজ হেক ওইরকপগা য়ূমদা লাকই। ছুটিগী মতমসি অসুক্কী মতিক তেনখ্রে, থবক মফমদা অমুক হনগদৌবসি য়াম্না তল্লি... অদুবু উপায়দি লৈতে। হৌজিক্তি চাক্তাফমসি জয়পুর ওইরে... তৌদবা য়াদ্রবা অমসুং তঙাইফদবা হায়বসিনা মরম ওইদুনা পূন্নমক হৈনহনবদা তারে।

হৌখিবা থা মরিরোমগী মমাঙগী ৱানি গোপাল খঙহৌদনা নারে। অহিং চুপ্পা নাহেদুনা লেল্লে... ইমা-ইমা, অয়ো ইমা... খঙহৌদনা মিকপ থোক্লকপদা ভারাগী য়ূম্থু নুপীদুনা মাগী মকোকনানবীদুনা লৈরম্মী। ... মানা অসুম্না মশা ঙল্লন্তবা মতমদা মমানা লুখুমদা ফমদুনা মাবু নানবীদুনা লৈ... য়ূম্থু নুপীদুনা মাগী মকোক নানবীদুনা লৈরম্বদু উবদা মা ঙকপনা লোইরে, অদুদগী হিক্ল-হিক্ল কপ্লকই। মাগী মখূৎতুদা মাগী মমাগী খূৎকী মীনুংশিদু য়াওরি। মানা অহিং মিংশেল খাঙদুনা মাবু শঙলল্লী, শঙ্গোম অশাবদা ঘী থাদদুনা মাবু নমদুনা পীথক্লে। মদুগী মতুংদা করম্বা মতমদা মাগী তম্পাক্তা মোন খাঙদুনা তূমথখিবা খঙহৌদ্রে। নোংঙাল্লমদাইদা মিকপ থোরকপদা য়ূম্থু নুপীদু ফল্লাংদা ঙাদুনা তূল্লল্লে। মদু উবদা গোপালদু য়াম্না ঙকখি - মানা খনখি ... “ঐগা মাগা করি থোক্লবগে। চয়োলমুক হকচাং ঙমদদুনা লৈখি মরত্তুদা য়ূম্থু নুপী, মচানুপা বিস্বাস অমসুং মাগী মচন্নুপী পুজানা সেবা য়াম্না তৌবীখি। চহী অমরোমগী লাপ্পরম্বদু নকশিন্নরক্লে।

নাবা ফরক্লবদা গোপালনা য়ূম্থু নুপীদুবু ইমা হায়না কৌরে। লোয়ননা অসুক্কী মতিক নকশিন্নখ্রে মদুদি মাগী য়ূমদুগা সিগী য়ূমসিগা খেন্নবসি শুপ্নতংগী ইমুংগী মীশিংখক্তা ঙাইরে। নুংশিবা, উননিংবা অমদি মমাগী নুংশিবা চপ মান্ননা ফংলে। য়ূমগী ৱারী কয়া... য়ূমসিগী ৱারী অমদি ইমা অনীসিদা মান্নবা য়াম্না লৈরি, শুপ্নতংগী ইমা অনীসিগী চহীদনি খেন্নরিবা। অপোকপীনা খরা হল্লি, অনৌবা ইমাদি শুপ্নগী চহী নিফুদা ঙাইরি। ইমানা অনৌবা ইমাগী মমিং মধুমতিদগী যশোদা হায়না থোনবীরে। য়ূমদা হেক চৎপদা ইমা যশোদাগী ৱারী কয়া লীবদা মানা মচানুপা গোপালসি নুংঙাইনা লৈরি হায়না পেন্থোকচবা ঙমজে।

ইমা যশোদাসি অসুক্কী মতিক ফজরি, নহা ওইরিঙৌগী ফজবগী মমিদু নিংথিনা তারি। মানা মরায়বক থিহৌবা মতমদুদা বিস্বাসনা চহী মরি অদুগা পুজানা চহী অনীখক্তা ঙাইরি। মপাম অমদি নুপা ময়ূমনা মাবু অমুক হন্না লুহোংনবা হায় অদুবু পূন্নমক অরেম্বনি। মচা অনী য়োক্লবগীদমক্তা মানা য়াম্না হৈশিংনা থৌশিল তৌরম্মী। মখোয়না লৈনবগীদমক শুপ্নতংগী কা অমত্তং লৌহৌরগা কা মঙাদু ভারা শান্দোক্লম্মী... ফি লোনবা, তুবদগী পৈশা খরসু লাকই। মদুনা চেকশিন খোইজিন্না হোৎনদুনা মচা অনীদু কোলেজ কাবা ফাওবা মহৈ তমহনবা ঙল্লে।

ইমা যশোদাগী থোইদোকপা মগুণ অমনা- হৌজিক্কী মতমদা নুপীশিংনা মপুরোইবা লৈনা-লৈনা... অদুবু মাদি অসুক্কী মতিক শেংলবীনি... মাগী মগুণসি কৈরোই লৈকায়না য়াম্না ফজনা ঙাঙনৈ... শম্না হায়রবদা মানা ফজরিবা শক-চুসিগা য়েংনরুরবদি হৌজিক্কী মতমগী সাবিত্রিনি। কনানা মাবু ইচে কৌই, কনানা ইন্দোমচা কৌই... অদুবু গোপালগীদি মমা অনী শুরে।

মমাঙগী চয়োলদু গোপাল মাগী সহরদা মমাগী মনাক্তা চৎপা ঙমদ্রে। নুমিদাংগী মতমদা টেলিভিজন য়েংনা য়েংনা গোপালনা ফক্লাংদা থেৎলিবা ফোটোদুদা মিৎয়েং তারুই, হংলুবদা বিস্বাসকী মপুবোকনি হায়বা খঙলে। অদুদগীদি ইমা যশোদানা মাগী লুহোংলকপদগীনা হৌজিক ফাওবগী ফোটোদু মথং-মথং পুথোরক্তুনা য়েংহল্লে। ইবুংঙো সিনা নঙগী অঙ্কলগীনি... মানা কোলেজ তল্লিঙৌগীনি, মাদি হোকী শান্নবা য়াম্না পাম্মী। দিষ্ট্রিক্ট লেভেলদা ফার্ষ্ট তাবগীনি... অদুগা সিনা মাগী দিগ্রি ফংবগীনি।

ফোটো অমা য়েংলুরগা মমিৎতগী পি মরিক-মরিক তারকই, মদু মাগী লুহোংবগী ফোটোনি। সনা-লুপা, লিক-কোন ময়াম অমা শীরদুনা... মমিৎতগী শিন্থরকপা পিনা ফোটোদুদা তারি ... ঙাইহাক্তি তুমিন্না লৈরে ... মা করিনো খরদি হায়নিংবগুম তৌই অদুবু ঐখোয় অঙাং অহুম লৈবদুদা তুমিন্না লৈখ্রে, এলবমদু মথং-মথং হাংদোকই, ফোটো ময়ামদু মথং-মথং য়েংই। বিস্বাসনা পুজাবু লক্লরদুনা হায়রকই - য়েংঙউদাদা মুক্লগা লেপ্লিসে, নঙনা ঐবুদা চৈ, পুজাবুদি নোংমতা ঙাঙদে। অঙাং ওইরিঙৌদগী হৌনা ঐনা মীৱা তা তাদুনা লাকই। ঐনা হৌজিক চা লোল্লু হায়বদা মরৈ তিংথোক্লল্লিবসিনি। অদুবু গোপালনা য়েংলুবদদি মখূৎ অনীদুনা মনা পায়জরদুনা লাল্লে হায়জরকই অদুগা চাকশঙদা চেনশিনখ্রে, ময়াম পূন্না হৌনা নোকই।

চা থক্লা থক্লা ইমানা হায়রকই - ইবুংঙো, য়েংঙু ঐগী ইচা অনীসে অদুবু হৌজিক্তি অহুম শুরে। ঐগী করি ৱাৎলিগে মালেমগী নুংঙাইবা পূম্বা ঐনা ফংলি, মালেমগী খোঙচৎসিদি লেপ্পা লৈতে, হোয় চুম্মী ঐগীদমক্তদি মতম খরা লেপ্লুরে। নঙগী অঙ্কল লৈখিদবদুনা ঐগী অহানবা লেপফম ওইখি। খাঙবা য়াবা খাঙখি... ঐবু অমঙ্গলনি হায়খি... অদুবু ইপুরোইবগী অরোইবা ৱাহৈশিংদু হৌজিক ফাওবা নীংশিংলি ... ‘মধু, ঐদি চৎলে অদুবু ঐ নঙবু ঙাইরমগে। অঙাংশিংসি নিংথিনা শেল্লকউ...। অদুদগীদি ইবুংঙো ঐনা পাঙথোক্কে খনবা পোৎতু পাঙথোক্লবা লেপ্লে... ঐনা থাজখি... কনামত্তা লৈজদবা মীগীদি ঈশ্বরতনা মরুপনি।

“অফবা লমচৎ অমদি পুকচেল শেংনা থবক তৌরবদি খুন্নাইদা অফবা মফম ফংগনি।” মসি গোপালগী মমানসু তাকপীখি। মাগী পুন্সিদা য়াই অনী ফংলে হায়না গোপালনা থাজখি অমনা মাগী অশেংবা লৈফমদা অদুগা অমনা মাগী তাংজফম জয়পুরদা। য়াই অনীসিদা মান্নবা অমা য়াওরি মদুদি ... মমাগী নুংশিবা। ঐনা ক্লাস ফাইভ তম্বা মতমগী ৱানি মতমদুদা ইমানা চয়োল অমদা চরা মরি হেল্লি অদুগা ঐখোয়গী চানবসু খজিক্তং মক পী অদুগা হায় য়াম্না চারদি নোয়গনি অদুগা ৱাখলসু থোক্লোই পঙশিনগনি। অহানবদদি অৱাৎপনা মরম ওইদুনা তৌবা ওইরম্মী অদুবু মমৈথংদদি মদু মাগী হৈনবী ওইখ্রে, হৌজিক্তদা ইমানা খজিক্তং চাবগী মরম খঙলক্লে... মতমগী খোঙচৎ।

সোমদসু ফীভমসি অদুম মান্নে। ঈশ্বরবু থাজবা অমদি মানা শেম্বীবা থৱায় পানবশিংগী মতেং পাঙবা। ইমা যশোদাদি অদুক হাক্লা করাম্বী মদুগী খুদম হায়ববু জয়পুরগুম্বা তাংখ্রবা সহরসিদা য়ূমগী ভারাসি খজিক্তংমক লৌই অদুগা অঙকপা ৱাফম অমনা মাগীদা লৈবা মীশিংগী মথৌ তাবা মতেং পাঙবা...। মাগী মওংদি অহানবদদি ঙক্লম্মী, পৈশা য়াম্না পায়বসু মাল্লম্মী। অদুবু তপ্পা তপ্পা মাগী চাদিং য়াম্না তৌথোক্তবা অমদি শেল খজিক-খজিক তুংশিনবনা মচা অনীবু কোলেজ ফাওবা লাইরিক তমহনবা ঙল্লিবনি অদুগা লৈকায়গী মীপুম খুদিংগী খুদোংথিবা মতমদা মতম চানা মতেং পাঙবা ঙল্লিবনি। মরমসিনা মীপুম খুদিংনা মাবু ইকায় খুম্নরিবনি।

কোলেজ তল্লিঙৌদদি চরা হেনবা অমসুং পুজা তৌবসি য়ানিংলমদে, নুপীশিংগী অপঙ থাজবনি হায়না খল্লম্মী। অদুবু হৌজিক্তি মসিগী মগুণ খঙলক্লে, সিমক্লা ইন্দিয়াগী নুপীশিংবু মালেমদা ময়ামদগী অথোইবীনি হায়নরিবনি। চরা হেনবা অমদি পুজা তৌবনা মীনা থিনা ঙাঙনরবসু ঙাকথোক্তুনা খাঙবা কনবগী শক্তম ওইরিবনি। মখোয়গা পান্নরুবদি ঐখোয়দি উফুল মরিক অমা ফাওবা কথোকপা ঙমদে।

ঙসিদি থাংজনি, গোপাল ঙসি ময়ূমদা চৎকনি, ময়ূমদা শুরুনবা ফিরোল পুগনি হায়বসি ইমা যশোদানা খঙই। নুমিদাংৱাইরমদা মানা ব্রিফকেস লৌবা লাকপা মতমদা মাগী মফি মরোলদু লোইনা শুদোকপীরল্লে হায়বসি খঙলে। অদুবু ইমা যশোদানা হায়রকই- “ইবুংঙো, য়ূমদা চৎলুরো, ইমানা নঙবু ঙাইরল্লগনি। অদুবু ইবুংঙো নিংথৌকাবা নুমিৎতদি ঙন্না লাকউকো, ঐনা নঙবু ঙাইরমগে। ‘খঙহৌদনা গোপালনা মাগী মখোঙ শোক্লা খুরুল্লগা কৌরকই ‘ইমা’...।